# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-07-2024)**

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপতি মুরমুনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী অনৌবা রাজ্যপালশিং খনখ্রে।

লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়া অসামগী রাজ্যপা ওইনা খল্লে। মহাকা মনিপুরগী রাজ্যপালগী থবকসু পুগনি।

হরিভাও কিষান রাও বাগরেনা রাজস্থানগী রাজ্যপাল ওইরগনি। জিসনু দেব বরমানা তেলঙ্গানাগী, ওম প্রকাশ মাথুরনা সিক্কিমগী, সনতোস কুমার গংৱারনা ঝরখন্দগী, রামেন দেকানা ছাতিসগরগী, সি.ঐচ. বিজয় শঙ্করনা মেঘালয়গী, সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগী মহারাস্ত্রগী রাজ্যপালশিং ওইনা খল্লে। গুলাপ চান্দ কতারিয়ানা পঞ্জাবকী রাজ্যপাল অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি চান্দিগরগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা খল্লে। কে. কৈলাস নাথননা পুদুচেরিগী উপ রাজ্যপাল ওইনা হাপখ্রে।

**বিরেন ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমদি উপ মুখ্য মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফমদা শরুক য়াখ্রে।

মীফম অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং দল অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পিগী হেদক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগীদমক অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা দল অসিনা লেপলি। দলগী আইদোলোজি ঙাকপগা লোয়ননা দলবু মপাঙ্গল কলহনদুনা লৈবাক্কী চাউখৎ খোঙথাংদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী ফিরেপ হেন্না চেৎশিলহল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা নিতি আয়োগকী ৯ শুবা মীফমদসু শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ই-ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ঙরাং নাওরেম বিহারি কলেজতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি কলেজ অসিগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট,আই.ক্যু.এ.সি. অমদি কারো সমভবকা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১২ শুবা মনকি বাট-পুকিংগী ৱা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী অহুম্লক শুবা টার্মগী অনিরক শুবা ইপিসোদনি।

থৌরম অসি অকাশবানি অমসুং দুরদর্সন অমদি এ.আই.আর নিউজগী ৱেব সাইট অমসুং নিউজ ওন এ.আই.আর মোবাইল এপপতসু তাবা ফংগনি। এ.আই.আর নিউজ, দি.দি নিউজ, পি.এম.ও অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কুনা তাহনগনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু নুমিৎসিমক্তদা শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-টেরোরিজম অমসুং সাইবর ক্রাইম থেংননবা লৈবাক পুমমকা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩১ শুবা আসিয়ান রিজনেল ফোরমদা ৱা ঙাংলদুনা ডা: এস. জয়শঙ্করনা

হায়-মালেমদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা শেল থুম, রাজনিতি, টেকোলোজি অমসুং কন্নেক্তিবিতি ফগৎহন্নবগী তঙাইফদে। মহাকা হায়-ভারতনা আসিয়ানগী লৈবাকশিংদা মপুং ফানা থাজবা থল্লি অমদি মখা তানা মতেং পাংখিগনি।

**পেরিস ঃ** পেরিস ওলিম্পিক্স-২০২৪ দা ভারতকী সুট্টর -মনু ভাকেরনা নুপীগী মিটর ১০ গী ইয়ার পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল চংবা ঙমলে। মহাকা পোইন্ট ৫৮০ ফংদুনা ফাইনেল চংল্লকপা ঙমখিবনি।

ভারতকী বেদমিন্টন শান্নরোই-লক্স্যা সেননা কেবিন পোরদোনবু নুপাগী সিঙ্গলস গ্রুপ ষ্টেজ মেটচতা ২১-৮, ২২-২০ দা থোইখ্রে।

মেদল টেল্লিদা হৌজিক ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী অহুম, লুপাগী অনি পুন্না তকমান ৫ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। চাইনানা সনাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমা পুন্না অহুম ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি । আমেরিকানা সনাগী অমা, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী অনি পুন্না তকমান মঙা ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিতি আয়োগ মীফমদা সি.এম শরুক য়াখিবা, বি.জে.পি. চীফ মিনিস্তরশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোকখিবা অমসুং ওইল টেঙ্করশিং আগষ্ট অমদগী থাউ চিংবা লেপ্পগনি হায়বা পাউশিং ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

প্রাইম মিনিস্তরনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকপা নিতি আয়োগ মীফমদা এন. বিরেন শরুক য়াখ্রে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-নিতি আয়োগকী মীফমদা ষ্টেট ১০ গী সি.এমশিং য়াওখিদ্রে। মমতা বেনর্জিনা ব্রাক আউট তৌখ্রে। ষ্টেটশিংনা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভিজন শেমগদবনি হায়না মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন পীরি। পাউ চে অসিগী অহানবা হেদলাইনদা খোঙশাংদা ত্রেননা পুশিল্লকখিবা চেং আই.এমগী শেলগী দিমান্দদা ইম্ফাল য়ৌরক্ত্রে। ইম্ফালদা চেং পুরক্কদবা ত্রক খুদিংমকা লুপা লিশিং ২,৫০০ পীনবা আই.এমনা কিহল্লক্লে হায়না ফোংলি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদা আগষ্ট অমদগী মতম কক্তনা পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিং চিংবা লেপবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী গভনর-অনুসিয়া উইকেনা শিন্দোকখ্রে, অসামগী গভনর-লক্ষমন প্রসাদনা মনিপুরগী গভরনগী চার্জসু পুরগনি হায়বা পাউনা মনিপুর ন্যুজগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা দলগী হেদক্কটরদা চীফ মিনিস্তরশিংগা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাংদা এ.আরদা শিরিবা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না অসামগী দিরেক্তর জেনরেলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

অসাম রাইফলসনা বাইয়স লৈনা থবক তৌবা লৈতে, মনিপুরগী ৱাথোক ষ্টেট মনুং খক্তদা লেংদনবা লৈবা নত্তে হায়বা এ.আরগী দিরেক্তর জেনরেলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মনিপুর ন্যুজকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট নৌনা মিং থোননবা প্রপোজেল থারকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ভারতকী নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দৌবালনা ম্যান্মারগী পি.এম. উন্নখ্রে, সি.এম. এন. বিরেননা পি.এম. উন্ননবা হোৎনরি হায়বা

পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হায়ৰেশিংদা শেলগী দিমান্দ অমদি অয়েৎপ অপন থোকহনবগী মায়োক্তা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী অহানবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ-এন. কোতিশ্বরবু তরামা ওকখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এদুকেসন ফ্রি জোন ওইহল্লু হায়দুনা ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পাক শন্না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এম. বিরেননা নিতি আয়োগ মীফম অমসুং বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শরুক য়াখ্রে, মোদিগা উন্নবদি ফংখিদ্রে হায়বা পাউনা মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।